

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*দেনমার্কর্কী কেরোলিন রোজনিয়াকী মায়থিবা পীরম্লগা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেনিসকী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলূপ্তা ৪শুবা রাউন্দ চঙখ্রবী রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভা*

*লাউরিয়স ৱার্ল্ড স্পোর্টস এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌখ্রবী মশাগী চহী ২৪শুরবী ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর ভিনেস ফোগৎ*

## ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু অহুমশুবা ৱান দে মেটচতা ৱিকেট ৭ তা থোইদুনা অহানবা ওইনা সেরিজ লৌদুনা পুৱারী শেমখ্রে



*ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অহানবা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী সোইলদা সেরিজ লৌখিবদা হরাওবা ফোঙদোকপা*

*মেলবর্ন, জনুৱারি ১৮ঃ*
ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি মেলবর্ন সিটিদা শান্নখিবা অহুমশুবা অমদি অরোইবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৭ তা থোইদুনা মেটচ ২–১ দা হেন্দুনা অহানবা ওইনা সেরিজ লৌদুনা পুৱারী শেমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ৱান মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ৪৯শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ২৩০ লৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম শোকখি। অপুনবা রন ৩০ য়ৌদ্রিঙৈদা মখোয়গী ওপনর অনী আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন উসমান খাৱাজা অমদি ৪শুবা বেটসমেন সোন মার্সনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু রন ১০০ য়ৌহল্লকখি।

সোন মার্স মশাগী রন ৩৯ দা আওট ওইখিবদগী পিটর হেন্দসকোম্ব শান্নবা চঙলকখি। উসমান খাৱাজাসু রন ৩৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মতম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১০১ দা লৈখি।

৬শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা মার্কস ষ্টোইনিসসু শুপ্নগী রন ১০দা আওট ওইখি। ৭শুবা বেটসমেন গ্লেন মেক্সৱেল অমদি পিটর হেন্দসকোম্বনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু মখা তানা শেমগৎনবা হোৎনরকখি। মেক্সৱেলসু রন ২৬ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী অপুনবা রন ১৬১ দা ৱিকেট ৱিকেট ৬ আওট ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা পিটর হেন্দসকোম্বনা বোল ৬৩ মায়োক্নবদা রন ৫৮ লৌরম্বা অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী ফজবা ওইদুনা টিম অসিনা ওভর ৪৮গী ৪শুবা বোল মায়োক্নবদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইখিবদগী মখোয়গী ইন্নিংস অদু রন ২৩০ দা লোইশিনখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাক্নবগী রন ২৩১ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদুগী পাউখুমদা ৫০শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা শুপ্নগী ৱিকেট ৩ খক আওট ওইরগা টার্গেট রন হেন্দোক্নুনা রন ২৩৪ লৌখিবদগী অরোইবা ৱান দে মেটচ অদু ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৭ তা থোইদুনা অহানবা ওইনা সেরিজ ২–১ দা লৌদুনা পুৱারী শেম্বা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা ওপনর রোহিট শর্ম্মা রন ৯ দা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর সিখর ধৱনবু রন ২৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন ভিরাট কোহলি অমদি ৪শুবা বেটসমেন এমএস ধোনিনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু শেমগৎতুনা অপুনবা রন ১০০ লাম্বোকহনবা ঙমখি।

কেপ্টেন কোহলিসু রন ২৩ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী কেদর যাদব শান্নবা চঙলকখি। ধোনি অমসুং কেদর যাদবনা আওট ওইদনা মথংশিংনা রন ৮৭ অমদি ৬১ লৌবা ঙমদুনা অরোইবা মেটচ অদু ৱিকেট ৭ তা থোইদুনা সেরিজ ২–১ দা লৌবা ঙমখি।

## ‘অম্ফানা সান্টোস ট্রোফীগীদমক থেংলপ্পা হোৎনরকপা’

এল. কালা, উরিপোক

থেংলপ্পা সান্টোস ট্রোফী ক্বালিফায়িং রাউন্দ মায় পাক্তবা য়াদে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শেম শারকপগা লোয়ননা হোৎনরিবসি মায় পাকপা ওইসনু অদুগা খনগৎলবা শান্নরোইশিংগী মফমদসু থাজবা মাঙবা য়াদে, থাজবা মাঙলবদি করিসু অশা তৌনিংঙাই লৈতে নংঙোন্দা, নংঙোন্দা থাজবা থম্লবনি, নংনা শান্নবদা তৌথোরকপা কয়া উরগা নংনা লমদমসিগী মীংচৎ পুরকপদা অচৌবা থৌদাং শরুক য়ারক্কনি থাজবা থমদুনা খল্লবনি লমদমসিগী সেলেক্টরশিংনা ময়াম্লক্তগী। থাজবা লৈনা শান্নৌ অঙম্বা থাক্তা ইমা লৈবাক্কীদমক।

সান্টোস ট্রোফী ক্বালিফায়িং রাউন্দগীদমক লোয়ননা মথং মথং চঙশিল্লকপা ঙম্নবগীদমক অম্ফানা শেম শারকপগা লোয়ননা হোৎনরিবসিদা কদাইফাওবা চঙশিন্দুনা মায় পাকপা ঙম্বগী থাজবা অসিমদি অম্ফাগী ওইনা লৈজরিবা কোচ অমদি মতেং পাঙলিবা মশান্নসিগী খঙ–হৈরবশিংনা খরমখৈদি নৈন্নরমগনি খঙলমগনি। সান্টোস ট্রোফী ভারতকী ওইবা য়াম্না মরুওইবা ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ অসি ১৯৪১ দগী পাঙথোকপা হৌরক্নুনা শাংলবা খোঙচৎ অসিদা মণিপুর ২০০২–০৩ ইম্ফাল, মণিপুরদা পাঙথোকখিবদা য়ুম্বু ওইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা মেইনতেন তৌদুনা করিমত্তা তৌবা ঙমদনা লাক্লিবা অসিমদি করিদগী অশোয়বনো হায়বা ৱাফম অমদি অদুমক হংনদুনা লাক্লিবা ৱাফম অমনি ফুটবোল মশান্নবু থৱাই য়াওজবা মায়কৈ কয়াদগী। অদুবু মণিপুর মশান্না অসিদা ইহৈমক হৈতবা লমদম অমদি ওইদে তাকপদা য়ামখ্রবা ভারতকী ফুটবোল শান্নরোই ময়ামসিদগী খ্বাইদগী হৈবা ভারত মহুৎ শিন্নবা খনগৎপদা (চহী মতাং মতাংগী) নুপা–নুপী অনীমক্তা ২। ৩ দগী তাদনা চহী খরগী মমাঙদগী লেপ্পা লৈতনা য়াওদুনা মহুৎ শিনবা ঙম্লিবনি, মসিদবু ফুটবোল শান্নবা হৈতবা, শান্নদবা ষ্টেট অমনি হায়না লৌবদি য়ারোই লানগনি অদুবু অমুক ষ্টেট ষ্টেটকী ওইনা রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নরকপা মতমদদি অমত্তা নিংথি–নুংঙাইনা মায় পাকপা ঙমদে, ঙমদ্রিবসিগী মতাংদা নৈন্নরক্নবদি অহানবা অচৌবা মরম অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা অচৌবা টুর্নামেন্ট কয়া অমা য়াওনবগী, য়াওদুনা মায় পাক্না চঙশিনবা ঙম্নবগীদমক থৌরাং অমা ওইনা অশানবা মীৎয়েংদা মশান্নসিগীদমক য়াম্না মাঙজৌনবা থবক পায়খৎতবা হোৎনদবসিনা অচৌবা মরম অমদি ওইগনি লোয়ননা মণিপুরগী খনগৎলবা ফুটবোল শান্নরোইশিংগী (চহী তাঙ্কক্কী) ওইবা মশা মশাগী ওইবা প্লেয়র্স ফাইল হায়না অমমম হাংদুনা মতম মতমগী ওইবা সেলেক্টরনা কোচনা শান্নরোইশিং অদুগী অশোনবা অমদি অহেনবা এরিয়া রেকোর্দিং তৌশিন্দুনা ট্রেনিং মতমদা চুমথোকপা ঙম্বা মতম শাংনা মেইনতেন তৌদুনা হোৎনবা অমসু চঙলি। হৌজিক্কী মতমদা মেদিকেল প্রোফেসন্দা লায়না খুদিংগী সুপর স্পিসিয়েলিষ্ট ময়াম অমা মথৌ তারক্লিবগুম ফুটবোল মশান্নসিগীদমক্তসু লম শোমদা খঙ–হৈরবগী মথক্তা গোলকিপর, বেক, হাল্ফ, সেন্টর ফোরৱার্দ অমদি টিম ওর্গনাইজেসন তোঙান–তোঙানবা হিরম কয়া অমদা নৈন্নদুনা মায় পাক্তবা য়াদবা টিম অমা শেম্বরোমদা কন্না চঙশিন্নরক্নবা মতম অসিদা চাওখ্রবা চেম্পিয়ন্সিপ টুর্নামেন্ট অমগীদমক হাথু–হাথুবা মওংগী ওইবা শান্নরোই খরা খনগৎলগা মায় পাকপা পাক্তবা তৌফম থোকপা খরা তৌরি হায়বসিনদি ভারতকী ওইনা পাঙথোকপা মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমত্তা লমদমসিনা মায় পাকপা ঙম্লোই হায়বসিমদি চুম্লবা ৱাফম ওইগনি। কম্মিটি মচা অমা শেম্নগা হোৎনবা নৎতবদা হৌজিক্কী মতমসিদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না টুর্নামেন্ট পারটিশিপেসনগীদমক (নুপা–নুপী) টিম শেমদুনা মেইনতেন তৌদুনা থম্নবগী থবক থৌরাং গীদমক মচাক মথুম কয়া পীবগা লোয়ননা য়াম্না খঙ–হৈরবা কয়ানা শেম্বা তোঙানবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইনা লমদমসিগী ফুটবোল মশান্নগী থাক হেনগৎনবগী থম্বা অমা মথৌ তারক্লে। অম্ফাগী লৈজরিবা কাউন্সিল মেম্বর খরসিনা লোয়নমক হোৎনবা হায়বদুমদি অৱাবা মায়োক্নগনি, খরা হেন্না পাঙথোক–চাওথোকহন্দুনা তুং কোইনগী ওইনবা হোৎনবা ৱাখল্লোন অমদি চঙলি পূম্নমক্না ফুটবোল মশান্না হেন্না হেন্না চাওখৎলকপা অমা ওইনবগীদমক খূৎশম্নরগা।

## কাটারনা সাউদি অরাবিবু ২–০ দা থোইদুনা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা এসিয়ান কপকী নোক আওট ষ্টেজ য়ৌখ্রে



*অবু দাবী, জনুৱারি ১৮ঃ*
য়ুএইনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা ১৭শুবা এএফসি এসিয়ান কপ ফুটবোল টুর্নামন্টকী অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ইগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা কাটারনা সাউদি অরাবিয়াবু ২–০ দা থোইদুনা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রে।

কাটার অমদি সাউদি অরাবিয়াগী মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ শান্নবগী অয়াম্বা মতমদা টিম অনীগী মায়কৈন্দগী য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী মিনট ৪০ হৌজিনখ্রবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা কাটারনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা হাসন অল হাইদোসনা কাওশিনবদা পাঞ্জল ওইহৌখিদে।

৪৫শুবা মিনটতা কাটারগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা অলমোজ আলিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৮০শুবা মিনটতা কাটারগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা অলমোজ আলিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা সাউদি অরাবিয়াবু ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি। মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা সাউদি অরাবিয়াসু গ্রুপ অসিদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লেবানননা নোর্থ কোরিয়াবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা গ্রুপকী অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

## স্বিটজরলেন্দগী ফেদরর অমদি জর্মনিগী কর্বর ৪শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

*মেলবর্ন, জনুৱারি ১৮ঃ*
ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি মেলবর্নদা চথরিবা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্টতা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমদি জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা য়ুএসএগী টেলর ফ্রিটজবু ষ্ট্রেট সেট ৬–২, ৭–৫, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদালনা ২৭শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেটতা ৬–১, ৬–২, ৬–৪ দা থোইরম্লগা ৪শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ১৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসনা ১৯শুবা সিদেদ জিওরজিয়াগী নিকোলোজ বাসিলাসভিলিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৩, ৩–৬, ৭–৬(৯–৭), ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ চঙখি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ওষ্ট্রেলিয়াগী কিম্বরলি বিরেলবু ৬–১, ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখি।


নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা ৩১শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী পেত্রা মার্টিকপু য়াম্না ৱানা টাই ব্রেক সেট অনীদা ৭–৬(৮–৬), ৭–৬(৭–৫) দা মায়থিবা পীরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী টুর্নামেন্ট অসিগী ৩০শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভানা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী দেনমার্ককী কেরোলিনা ৱোজনিয়াকীবু ৬–৪, ৪–৬, ৬–৩ দা থোইরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমদুনা ৱোজনিয়াকীগী টাইটল লৌবগী লম্বেল লোইশিনহনখি।

৮শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ৩শুবা রাউন্দগী মেটচতা স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকপু ৬–১, ৬–৪ দা থোইরম্লগা ৪শুবা রাউন্দ চঙখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিসু ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দগী মেটচতা গ্রিসকী মারিয়া সকারিবু ষ্ট্রেট সেট ৭–৫, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৪শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী নেহৱাল মালেসিয়া মাষ্টর্সকী নুপীগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে,স্রিকান্থ লৈহৌরে



*কোলা লম্পুর, জনুৱারি ১৮ঃ*
ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর সাইনা নেহৱাল য়ুএস দোল্লর ৩৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে, নুপাগী শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্থ ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে।

মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী তরেৎশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অনীশুবা সিদেদ জপানগী নোজোমী ওকুহারাবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমদি জপানগী নোজোমী উকাহারা পোইন্ট মান্ন–মান্নদুনা চৎলম্লবা মতুং লোইশিল্লকপদা নেহৱালনা ফজবা হেনখিবদগী ২১–১৮ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরক্নুনা পোইন্ট ১৭–১৭ দা মান্নদুনা লৈখি। গেম অদু য়াম্না লম্বা মান্নরকপদগী লোইশিল্লকপা ফাওবা পোইন্ট ২১–২১ দা মান্নদুনা লৈখি। মখা তানা শান্নরকপা পোইন্ট অনী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা লৌখিবদগী গেম অদু ২৩–২১ দা লৌখিবদগী মেটচ অদু মায় পাক্নুনা নেহৱাল সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সাইনা নেহৱালনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা স্পেনগী কেরোলিনা মারিনগা লম্বা তৌনগনি। সাইনা অমসুং মারিননা মমাঙদা শান্নখিবা মেটচ ১০ দা সাইনানা মেটচ ৫ মায় পাকপা ঙম্লি।

মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ ৪শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোগী মখূত্তা গেম ১–২ দা মায়থিদুনা লৈহৌখি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেম স্রিকান্থনা য়াম্না ৱানা ২৩–২১ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা গেম অনী অদু সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই সোন ৱান হোনা ২১–১৬, ২১–১৭ দা থোইখিবদগী স্রিকান্থ সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

## ইন্দিয়া জুনিয়র টিম স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*পাট্টায়া, জনুৱারি ১৮ঃ*
থাইলেন্দগী সিটি পাট্টায়াদা চথরিবা এসিয়ান জুনিয়র টিম স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিমশিং সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

নুপামচাগী পুল এ গী ঙসি শান্নখিবা টাইদা ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াবু ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা গ্রুপকী অনীশুবা তাদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। টাই অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই উটকার্স বাহেটিনা কিম সিওকজিনবু ১১–৮, ১১–৩, ১১–৫ দা অহানবা মেটচ থোইখি। অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী য়াস ফাদটেনা সাউথ কোরিয়াগী লি মিনৱুবু ১১–৫, ৯–১১, ১১–৬, ১২–১০ দা থোইদুনা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী অহুমশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী তুসার সাহানিনা সাউথ কোরিয়াগী য়ু জিওংমিনবু ১২–১০, ১১–৮, ১৩–১১ দা থোইদুনা টাই অদু ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াবু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্বদগী ইন্দিয়া গ্রুপকী অনীশুবা পোজিসন তাদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

নুপীমচাগী গ্রুপ বি গী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী টিম হোং কোংগী মখূত্তা মেটচ ০–৩ দা মায়থিহৌখি। ইন্দিয়াগী নুপীমচাগী টিম হোং কোংগী মখূত্তা মায়থিখ্রবসু গ্রুপ অসিদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি। গ্রুপ অসিদা হোং কোংনা মকোক ওইখি।

### ক্রোসৱার্দ ৪৬ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | N | A | P | ■ | A | P | E | S | ■ | I | N | T | R | O |
| H | A | L | O | ■ | T | E | S | T | ■ | R | E | R | A | N |
| A | V | O | I | D | A | N | C | E | ■ | S | T | A | R | T |
| P | A | U | S | E | ■ | N | O | V | A | ■ | ■ | N | E | O |
| E | L | D | E | S | T | ■ | R | E | C | E | S | S | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | ■ | K | E | P | T | ■ | E | L | O | P | E | D |
| I | C | E | R | ■ | L | O | S | S | ■ | S | N | O | R | E |
| N | O | T | A | B | L | E | ■ | T | R | E | A | S | O | N |
| C | R | E | T | E | ■ | T | R | E | E | ■ | R | E | S | T |
| A | E | R | I | A | L | ■ | E | W | E | S | ■ | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | N | O | M | A | D | S | ■ | D | E | T | E | C | T |
| N | B | A | ■ | ■ | P | E | T | E | ■ | M | O | L | A | R |
| A | L | L | O | W | ■ | F | O | R | T | I | T | U | D | E |
| P | O | L | K | A | ■ | A | R | I | A | ■ | A | D | E | S |
| A | B | Y | S | S | ■ | T | E | E | N | ■ | L | E | T | S |


PALACE DENTAL CARE

Wangkhei Angom Leikai, Opposite to Thangal Temple
Imphal East

Newly Open

* Free consultation & 50% discount on all treatments upto 20th Jan. 2019

Newly Open

Treatments available:-

1. Scaling & Root Planning.
2. Filling, RCT, Pulpectomy, etc.
3. Crown & Bridge.
4. Extrations.
5. RPD, FPD & Complete Dentures
6. Braces & Orthodontic treatments. etc.

Sunday
8 AM. to 12 Noon.

Visiting Hours
8:30 AM. to 4:30 PM.

X-ray available

For more details
Please Contact:
Dr. Laishram Sulochana Devi (BDS)
Phone No. 8787891896 / 9774011715

SL/P/Alt/30 Days from 6-1-19



A SUNSHINE PHYSIOTHERAPY CLINIC

SINGJAMEI MAYENGBAM LEIKAI
NEAR US ACADEMY, IMPHAL WEST

Treatments
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Neck & Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis (Hip, Knee joints, Gout)
- Stroke
- Bell's Palsy
- Other neurological Conditions

Instruments
- Tens
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Paraffix wax bath
- Muscle stimulator
- Laser Therapy
- Tread Mill
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball
- Ankle Exerciser
- Static Cycle

Sunday - on appointment only

Home visit available

Visiting Hours
8 AM. to 12 Noon. & 2 PM. to 5PM.

Please Contact:
Dr. Sougrakpam Roshini (MPT)
Phone No. 9089679415 / 9899141163
Email- asunshine489@gmail.com

SL/BILL/Alt/30 Days upto 3rd Feb. 2019